থম্মোয় পাউদম হুইয়েন ইন্দু

# পান্থোইবীগী *মিংলেন খোঙা* অমদি অতৈ মনাশিং





হায়নৈ - মীবু ঈকায়খুম্নবা হৈতবা মহাক্তুদি মীনসু ঈকায় খুম্নরোই। ঐঙোন্দা নুংশিবা উৎহন্নিংলবা অতোপ্পবুসু নুংশিয়ু। অদুবু, ঐখোয়গী মণিপুর খুন্নাইদা ৱাৎলিবদি মসিনি। মীবু ঈকায় খুম্নবগী ৱাখলদুদি থমখিসি, মপা-মপু-মবুধৌ-পুরেলদু ফাওবা ঈকায় খুম্নবা হৈতবা, হিরো-ৱোর্সিপ ট্রেদিসন মমি তাদবা খুন্নাইদুদা লৈবনি ঐখোয়। মীবু সিদোক্তুনা নৈনরগা নুংঙাইজবা, অফবা মতৌদুদি উঙমদবা, চাদনা পুকথনবা শিনফমদি মীৱা ঙাঙনবনি হায়নরিবা লমদমনি। অদুবু, লমদমসিদা পোকখিদবদি নত্তে, মী মরক্তা মীথোইবা, লাইপোক'কুম্বা কয়া অমা। মশাগী তোপ তোপ্পা লাইনিং লম্বী শেন্নল্লিবা লমদমনি, অতোপ্পা লাইনিং লম্বীগী লাইরেম্বা-লাইরেম্বী অনীগী নুংশি ৱারী জগোয় ওইনা মালেম শিন্না লিরিবনি। অদুমকপু, ওন্থোকপনি! মালেম শেগাক কায়গদবা ৱারীশিং - চীংলোন মাপন ৱাংমা লান্না লীবগুম্বা অইবা, মরু হুন্দ্রি ঙসিফাও। ঐখোয় মশেন হুন্নবা, নিংথৌ ফাওবা থানদবা, পুমথোই থোইবা ময়ামগী খুন্থোকফমনি মণিপুর। অসিগুম্বা লমসিদা মিংচৎ উরোং খিল্লম্বা, অরায়বা নত্তে বঙ্গালগুম।

মরিং-মরাংবা ৱাখলনি হায়বীরক্কদবা খরসি খল্লকখিবনি মে তারিক ১, ২০১৭ কী নুংথিল, পান্থোইবী নাত্য মন্দির, য়ুম্নাম লৈকায়গী ৪৬শুবা মপোক কুমওন য়াওরুবদা। য়ুম্নাম লৈকায় মান্দবতা পাঙথোকপা থৌরমদুগী, অতোপ্পা থিয়েটর ওর্গনাইজেসনগী ফাউন্দেসন দেগা মান্নদবা, থোইদোকপা মতৌ অমদি 'কলা মন্দির অসিগী মপোক নুমিৎ অসিদা, মখোয়না মণিপুরী থিয়েটরগী তাইবঙদা পীরম্বা খুদোল মীয়ামদা পাউদম্বগী মহুত্তা অতোপ্পা কলাকারশিংবু ঈকায় খুম্নবা অমদি মনা পীবনা ওইরম্বা অদুনি।

খনখি - পান্থোইবী নাত্য মন্দিরগী মপোক কুমওন পাঙথোকপদি, মন্দির অসিদা থৌপাঙলম্বা লৈখিদ্রবা কলাকারশিংবু নিংশিংবা অমদি লৈবাক্লা ঈকায় খুম্নবীরল্লবা অতোপ্পা কলাকারশিংবু মখোয়না তরাম্না অমুক ওকচবা, লোয়নননা চহী চহীগী ওইনা অথোইবা কলাকার অমমম খন্দুনা 'মিংলেন খোঙা' লান্থোকপদুনা মরুনি। মণিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লিগী স্পিকর 'য়ুম্নাম খেমচান্দ'না অথোইবা মীথুং ওইরগা পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরি 'নহাকপম ইন্দ্রজীৎ'না ঈকায় খুম্নবা মীথুং ওইখিবা, মন্দিরসিগী প্রসিদেন্ট 'বিরেন্দ্রকুমার শর্ম্ম'না থৌরম মপু ওইদুনা পাঙথোকখিবা থৌরমদুদা মীওই অহুমখকপু ঈকায় খুম্ননা ওকখি। মণিপুরগী ওইনা খ্বাইদগী নৌবা পদ্ম শ্রী এৱার্দি অনী - লাইশ্রম বিরেন্দ্রকুমার (ম্যুজিক) অমদি ৱারেপ্পা নব (থিয়েটর), জষ্টিস সরদা চরন স্মৃতি ভাষা সেতু সম্মান'উত্তুনা, বঙ্গাল'না ঈকায় খুম্নবীরক্লবা হিন্দী লোলদগী মীতৈলোলদা, মীতৈ লোলদগী হিন্দীলোলদা হন্দোকপগী থৌদাং য়ারিবা প্রোফেসর আই এস কাঙজম। শক্লাইরবা অহুম্না মাগী-মাগী লমদুনা লৌরিবা থোইদোকপা থৌদাং ঈকায় খুম্ননা ওকখি তরাম্না।

পুম্নমকসিগী মথক্তা, নুমিৎতুগী থোইদোকপা শক্তমদি, চহীসিগী ওইনা কুম্লৈপুংদা থৌদাং য়ারিবা থৌদারোয় পুম্নমক্তগী মচং ওইবা অমা খনগৎলগা অথোইবা মনা 'মিংলেন খোঙা' (এৱার্দ ফোর এক্সেলেন্স) লান্থোকপা অদুনি। কুমসি চহীগী ওইনা মনা অসি রূপমহল থিয়েটরগী দিরেক্টর, শক্লাইরবা, মায়থোং য়াম্বা কলাকার 'লোইতোংবম ব্রজমোহন সিংহ' গী মফমদা লান্থোকখি। লোইতোংবম ব্রজমোহন, হিয়াংথাং ময়ায় লৈকায়দা শকফোঙবা মহাকপু কলাগী তাইবঙ অসিদা নৌনা অমুক শক্তাক্লফম ওইবরা? থিয়েটর হায়বা মীবু ঙাওহনবা কল্লাসিদা পুমলূপ-লূপ, পুমঙাও-ঙাও লৈখিবদুনা - 'থিয়েটর হায়বসি পুন্সিগী ৱাহন থিফমনি, কলাগা শাগোন্নবা ঙমদ্রবা পুন্সিদুদি ৱাহন লৈতবা পুন্সিনি' হায়বা ৱাখল লীক্লমদুদা চৎলিবা তাঙলবা মীশক খরদুগী মনুংদা অমনি ব্রজমোহন। অদুনা মনুং চল্লক্লিবনি - পান্থোইবী নাত্য মন্দিরগী 'মিংলেন খোঙা' ফুদোংলবা তাঙলবা কলাকারশিংদুগী মরক্তা তরাতরেৎশুব মফম কন্দুনা। 'অথোইবা মনা'সি ফংখ্রবা মখোয় অতৈদুদি কনানো ? খঙবীনিংদবরা ঐনা খঙনিংলিবা অসিগুম? লাইশ্রম বিরেন্দ্রকুমার, সরাংথেম বোরমণি, এলাংবম জয় (দ্রামা), ঈ বিরকুমার, ও বিরমঙ্গল, এন জি স্বর্নজীৎ, ৱাইরোকপম ভগীরথ, ওন্বীসনা, সুর্যমুখি, খাইদেম বিহারি, ক্ষেত্রি ইবোহল, খাইদেম নুংশি, হিজম শ্যামধনি, ৱারেপ্পা নব, লমাবম গোজেন, লোইতোংবম দোরেন্দ্র... অসিনচিংবগী মতুংদা ব্রজমোহন! ঐদি থাজে - মনা'সিনা ব্রজমোহনবু পুন্সি মশক খঙবদা শোয়দনা ঈনোৎ হাপ্পলনি। পুন্সি হায়বসি খঙদবা অমা থিবগী খোঙচৎ অমনি - থৌরম অদুয়াওরুবগা হল্লকপদা খল্লকখিবনি।

মীবু মীনি খন্দবা লমদমসিদা, খোরিলোন-লূপ (সাহিত্য সংস্থান) খরগী মতুংদা কলাকারবু কলাকারশিংনা শকখঙবীদুনা কনানসু ঈকায় খুম্ননা শকখঙবীরোই খঙলকখিবসি এম দি য়ু অমদি রূপমহলনি। এম দি য়ু'না 'খোমদ্রাম ধনচন্দ্র এৱার্দ' (এক্টর অমদি দিরেক্টরদা) - কৈদৌঙৈদা পীখিবফাও লৌবা ঙমহৌদ্রে। ঙসিদি, ষ্টেট এৱার্দ ওন্থোক্তুনা ইমুং-মনুংনা কৎখরে। 'সোরোকখাইবম ললিতকী ইমুং মনুংনা 'ললিত নিংশিং খুদোল' থিয়েটর সেন্টরবু পীহনখিবা কুমজা ১৯৮৬ তগীনি) রূপমহল থিয়েটর 'মৈত্রম বীর এৱার্দ' ১৯৯১ দগী হৌদুনা চহী খুদিং পীরক্লি। এক্টর, দিরেক্টর, রাইটর, সিঙ্গরশিংদা হোংহোংদুনা পীরকপা, মীওই ২৬ তা পীখরে। এৱার্দসিগী মথক্তা কুমজা ২০০৭ তগী হৌদুনা কোঙ্গ্রেস পার্টিদা পুন্সি কৎপগুম রূপমহলগীদমকসু মান্নন‌া কথোকখিবা 'হৱাইবম নীলমণি' বু নিংশিংদুনা অতোপ্পা মনা অমসু কৎলকখি - 'হৱাইবম নীলমণি নিংশিং মনা'। ঙসি ফাওবদা মীওই ১০ দা মনা অসি লান্থোকখরে।

হৌজিক্তি, মণিপুরী থিয়েটরগী খা মায়কৈ ঙাক্লিবা 'লাংমৈদোং দ্রামাটিক য়ুনিয়ন'সু কলাকারশিংবু ঈকায় খুম্নবা, মনা পীদুনা নিংশিংবীবা য়াওরক্লে। কুমজা ২০১৩ দগী হৌদুনা 'এ নন্দকিশ্বর শর্ম্ম মেমোরিএল এৱার্দ' - মণিপুরগী শক্লাইবা লিলা ইবা মঙাদা লান্থোকখ্রে - নাওরেম কালিমোহন, অথোকপম তোমচৌ, ক্ষেত্রি সনাজাওবা, মোইরাংথেম প্রিয়োব্রত অমদি মণি য়ুম্নাম। তুংদসু অইবশিংদতা পীরক্কদবা মাল্লি।

পুম্নমকসি য়েংলগা, মধ্য প্রদেশকী 'কলিদাস সম্মান'গুম 'ভাগ্যচন্দ্র মেমোরিএল' হায়গেরা/নিংশিং খুদোল হায়গেরা, ষ্টেট কলচরেল এৱার্দ অমত্তদি পীহন্নিংই লৈঙাকপু।

লৌশিং পুক্কে

# নুংথিল ঙাইহাক তূম্বগী কান্নবা অমসুং কান্নদবশিং

নুংথিল চুপ্পা থবক শুবা মতমদা ঙাইহাক-ঙাইহাক পোত্থারগা মরক্তা মীৎকপ অমা তূম্বনা হকচাং তেকখৎহল্লি অমসুং ইথৌদা পূক্লিং চঙবা ঙমহল্লি হায়বসি য়াম্না চুল্লবা ৱাফমনি। অদুবু হন্দক্তা পাঙথোকখিবা ষ্টদি অমগী রিপোর্ট মতুংইন্নদি নুংথিল তূম্বগী হৈনবী থম্বনা হাইপরটেন্সনগী রিস্ক ৱাংখৎহল্লি হায়রি।



রোচেষ্টরদা লৈবা মায়ো ক্লিনিক্কী রিছার্চরশিংনা হায়খি, মদুদি নুমীৎ খুদিংগী নুংথিল তূম্বা মীওইশিং ব্লদ প্রেসর ৱাংখৎলকপা য়াবগী রিস্ক মায়োক্লে। মরক মরক্তা নোংমা ফাদোক তূম্বগী ৱাফম নৎতবদা নুমীৎ খুদিংগী হৈনবী অমা ওইনা নুংথিল তূম্বা মীওইশিংদা ব্লদ প্রেসর ৱাংখৎলকপা য়াই।

রিছার্চরশিংনা মালেমগী তোঙান তোঙানবা মফমদা লৈবা মীওই ১২,২২,৬৭২ দা চথখিবা ষ্টদি মাপনগী দেটা কুপ্পা নৈনরম্মী। মদুদা নুমীৎ খুদিংগী নুংথিল তূম্বা মীওইশিং ব্লদ প্রেসর ৱাংখৎলকপা য়াবগী রিস্ক মায়োক্লে হায়বা খঙলকপনি।

অমেরিকান সোসাইটি ওফ হাইপরটেন্সনগী ৩১ শুবা চহীগী মীফমদা পুথোরকখিবা ষ্টদিগী রিপোর্টনা হায়খি, মী-মীগী চাকচা-য়ুথক খেন্নবা, হকচাং শাজেল তৌবা-তৌদবা অমসুং অতৈ অনাবা কয়ানসু ব্লদ প্রেসর ৱাংখৎহনবদা মতেং পাংশিনবা মরম্না নুংথিল তূম্বগী ৱাফম অসি মখা তানা থিজিনবা মথৌ তারি।

অমরোমদা, কেমব্রিজ য়ুনিভর্সিটিগী রিছার্চরশিংনা পাঙথোকখিবা ষ্টদি অমগী রিপোর্টনা হায়খি, মদুদি নুমীৎ খুদিংগী নুংথিল তূম্বা মীওইশিং মনুং মতম চাদা শিবা য়াবগী রিস্ক চাদা ৩৩ রোম হেনগৎলকই। অমেরিকান জর্নেল ওফ ইপিদমিওলোজিদা ফোঙলকখিবা ষ্টদিগী রিপোর্টনা হায়খি, নুমীৎ খুদিংগী নুংথিল তূম্বনা হকচাং মনুংদা ইনফ্লেমেসন থোকহনবা মরম্না লংসকী লায়না ওইহল্লকপা য়াই। নোংমদা পুং ১ দগী হেন্না নুংথিল তূম্লবদি এম্ফিসেমা, ন্যুমোনিয়া অমসুং ব্রোঙ্কাইটিসনচিংবা নিংশা শ্বর হোনবগা মরী লৈনবা লায়না ওইরক্তুনা শিবা য়াবগী রিস্ক শরুক অনী মখায়রোম হেনগৎলকই।

নুংথিল তূম্বা ফৎতে হায়দুনসু নুমীদাং চুম্বা থবক শুবা মীওইশিংদি তঙাইফদনা নুংথিল তূম্বা মথৌ তাই। মীপুম খুদিংমক মপুং ফানা তূম্বগী তঙাইফদবা মরম্না নুমীদাং তূমহৌদবা থোক্লবদি নুংথিল তূম্বা মশানা তাবনি। অদুবু কাঙলোন খরা ঙাক্লা নুংথিল তূম্বগী তঙাইফদবা লৈ। নুমীদাং তূম্বগী মওংদা মপুং ফানা তূমথখিদনবা চৌক্রিদা য়াঙলেন চপ তিংনা ফল্লগা ঙাইহাক উইগদবনি। চীপ স্লিপ ওইনা মপুং ফানা ফমুংদা হীপ্পগা খক তূল্লোইদবনি হায়না ডোক্তরশিংনা রেক্কমেন্দ তৌরি।

নুংথিল ঙাইহাক উইবগী কান্নবা অমসুং কান্নদবশিং মমুৎ তানা খঙদোক্লবগী মতাংদা তোঙান তোঙানবা ষ্টদি কয়া চথখিবা লৈখ্রে।



ন্যুরোসাইকোলোজি জর্নেলদা ফোঙলকখিবা ষ্টদি অমগী রিপোর্টনা হায়খি, থবক মফমদা ওইরবসু নুংথিল ঙাইহাক্তং উইবনা নীংশিংবা ঙম্বগী মতিক ময়াই হেনগৎহনবা মরম্না ইথৌদা পূক্লিং চঙবা ঙমহল্লি।

জর্মনিদা লৈবা সার্লেন্দ য়ুনিভর্সিটিগী প্রোফেসার এক্সেল মেক্লিঞ্জরনা হায়খি, মহৈ তম্লিবা মীওইশিংনা লঞ্চ ব্রেকতা করিগুম্বা খরা চাশিন থকচিল্লবা মতুংদা ঙাইহাক্তং ওইরবসু উইগদবনি। মসিনা মতুং তারকপা ক্লাসশিং য়াওবদা পূক্লিং চঙবা ঙম্মী। ন্যুরোসাইকোলোজি জর্নেলদা ফোঙলকখিবা ষ্টদি অদুগী রিপোর্টনা হায়খি, নুংথিল ঙাইহাক্তং উইবনা নীংশিংবা ঙম্বগী মতিক ময়াই শরুক মঙারোম হেনগৎহল্লি। মরম অদুনা মহৈ তম্বা অমসুং ৱাখল খনবগী মথৌ তাবা মীওই খুদিংমক নোংমগী ঙাইহাক্তং নুংথিল তাল্লক্তা উইবা য়ানবা থৌরাং লৌখৎকদবনি হায়না প্রোফেসার এক্সেল মেক্লিঞ্জরনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

ষ্টদিগী শরুক অমা ওইনা মীওই খরা কাঙলুপ অনী থোক্লা খায়দোল্লগা কাঙলুপ অমবু নুংথিল তাল্লক্তা ঙাইহাক পোত্থাহনবা ওইনা দি ভি দি য়েংহল্লম্মী অমসুং অতোপ্পা কাঙলুপ অমদুনা ঙাইহাক উইহল্লম্মী। চাংদম্নদুনা য়েংবদা ঙাইহাক উইবা কাঙলুপ অদুনা ৱাখল খনবা অমদি নীংশিংবা ঙম্বগী মতিক ময়াই হেল্লি হায়বা খঙলকখি।

ষ্টদি অদুদা শরুক য়াখিবা সারা ষ্টদনা হায়খি, মীওইবনা উখিবা, খঙখিবা, তাখিবা ইনফোর্মেসন খুদিংমক হিপোকেম্পস কৌবা ব্রেনগী শরুক অমদা তুংশিন্দুনা থম্মী। মথৌ তারকপা মতমদা ইনফোর্মেসন পুম্নমক মতাং মতমগী মতুংইন্না নীংশিংলকই। কনাগুম্বা খরদি হিপোকেম্পসতা ইনফোর্মেসন ফনা য়াম্না তুংশিল্লবসু মথৌ তারকপা মতমদা শীজিন্নবা ঙমদে। অদুগা মীওই খরদি মথৌ তাবা ইনফোর্মেসন পুম্নমক মতম চানা নীংশিংলকই। মরুওইবা পারা অমা হেক তম্লবা মতুংদা ঙাইহাক্তং উইরবদি পারা অদু হিপোকেম্পস রিজনদা চঙখি অমসুং মতাং চানা নীংশিংলকই হায়রি।

# নুপী কৈথেল শাবীনবা তকশিন্দুনা ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে

ইম্ফাল, মে ০৪ (ঐচ এন এস) :

ইমা পান্থোইবী ষ্ট্রিট বেন্দর য়ুনিয়ন খুমন লম্পাক্লা শীন্দুনা খুমন লম্পাক্কী ইন্টরষ্টেট বস টর্মিনসকা মায়োক্লবদা নুপী কৈথেল শাবীনবা তকশিন্দুনা ঙসি ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে।



ইন্টরষ্টেট বস টর্মিনসকী গেটতা ৱাকৎ মীফম ফমখিবা অদুদা শরুক য়াখিবী ইমা পান্থোইবী ষ্ট্রিট ভেন্দর য়ুনিয়নগী সেক্রেটরি এন জি প্রেমাবতিনা হায়খি, চীংমী-তম্মীশিংগী পুনফম ওইরিবা য়াম্না মরুওইরবা মফম অসিদা নুপী কৈথেল শাবীনবা হৌখিবা কুমজা ২০১০দগী তকশিন্দুনা লাক্লি। অদুবু লৈঙাক্লা ঙসি ফাওবা তাবীদনা লৈরি। অথুবা মতমদা কৈথেল শাবীয়ু হায়না তকশিন্দুনা চীফ মিনিষ্টরগী মীৎয়েং চিংশিনবীনবা আপিল তৌরক্লি।

খুমন লম্পাক ইন্টরষ্টেট বস টর্মিনসকী মায়োক্লবদা ফল্লিবা ষ্ট্রিট ভেন্দরশিং অসিগী ওইনা নুপী কৈথেল শানবা নোর্থ ইষ্ট কাউন্সীলনা অপুনবা প্রোজেক্ট কোষ্টকী অহানবা ইন্সটোলমেন্ট রিলিজ তৌরকখ্রবনি অমদি প্রোজেক্ট অসিগী অপুনবা কোষ্টনা লুপা ক্রোর ৯.৮৪৬নি হায়না মহাক্লা ফোঙদোকখি।

প্রোজেক্ট অসি মমাঙ চহীগী মার্চ ফাওবগী মনুংদা শাবা লোইগদবনি হায়বগা লোয়নন‌া অহানবা ফেজগী ওইনা লুপা ক্রোর ৩.২৮০৯ এন ঈ সীনা সেঙ্কসন তৌখ্রবনি। প্রোজেক্ট অসিগী শেনফম সেঙ্কসন তৌবা অমসুং লোইশিনগদবা মতম তোঙান তোঙাল্লবসু চহী ২/৩গী মনুংদা লোইশিনগদবনি। মরম অসিনা অনৌবা লৈঙাক্কী চীফ মিনিষ্টরনা অকনবা মীৎয়েং চঙবীবগা লোয়ননা তুংগী মীরোলগী খনবীদুনা নুপী কৈথেল অসি শাবীয়ু। চীংমী-তম্মী পুন্না ফমিন্নবা য়ানবা পোৎফম ১০০০ চনবা নুপী কৈথেল অমা শাবীয়ু হায়না মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

# লেবোরেটরি লৈতবা স্কুলশিং মুত্থৎসি : এম এস এফ

ইম্ফাল, মে ০৪ (ঐচ এন এস) :

মণিপুরী ষ্টুদেন্টস ফেদরেসন (এম এস এফ)কী মোরেল এদ্যুকেসন এৱ্যেরনেস কেম্পেনগী শরুক অমা ওইরিবা লাইরিক নীংথিনা তমসি হায়বা কেম্পেনগী মনুং চন্না হায়র সেকেন্দরি স্কুলশিং য়েংশিনবগী খোঙচৎতা সঙাইপ্রৌদা লৈরিবা এসিয়ান কো-এদ্যুকেসন হায়র সেকেন্দরি স্কুল য়েংশিল্লুবদা অৱাৎ-অপা কয়া লৈরম্বা থেংনরে হায়না মহৈরোয় লূপ অসিনা ফোঙদোরক্লি।

ঙসি নুংথিল তোপ লৈরক্তা লৈবা এম এস এফকী ওফিসতা পাউমীশিংগা উনবদা এম এস এফকী এক্সটর্নেল এফেয়্যর্সকী সেক্রেটরি নিংথৌজম জুগেশ্বরনা হায়খি, হৌখিবা এপ্রিল ২৭তগী হৌনা চত্থরকখিবা কেম্পেন অসিগী শরুক অমা ওইনা ঙসি টিদ্দিম রোদতা লৈবা সঙাইপ্রৌগী হায়র সেকেন্দরি স্কুলশিং য়েংশিনখি।

য়েংশিন খোঙচৎ অদুগী মীহুৎশিংনা সঙাইপ্রৌদা লৈবা এসিয়ান কো-এদ্যুকেসন হায়র সেকেন্দরি স্কুল য়েংশিল্লুবা মতমদা স্কুল অসিগী বিল্ডিং মতিক চানা লৈরমদবা, লেবোরেটরিসু লৈরমদবা থেংনরকখি। স্কুল অদুগী লেবোরেটরি লৈতনা করম্না প্রেক্টিকেল তৌরিবনো হায়না হংলুবা মতমদা স্কুল অসিগী ওথোরিটিনা থম্বালমরিক কোলেজদা প্রেক্টিকেল তৌই হায়না খুম্লকপবু মহৈরোয় লূপ অসিনা নুংঙাইতবা ফোঙদোরক্লি। অসিগুম্বা থৌওং অসি মহৈরোয়শিংগী রাইট মৎপনি হায়না খল্লি হায়বা ৱাফম ফোঙদোকখি।

মখা তারকপদা সেন্ট মার্ক হায়র সেকেন্দরি স্কুল য়েংশিল্লুবা মতমদা কেমিষ্ট্রি অমসুং বাইওলোজিগী লেবোরেটরি মতিক চানা লৈরম্বা থেংনদে। মমিংতগী ওইনা থম্বগুম লৈরম্বা থেংনখি।

বি আই এম এস হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী লেবোরেটরি লৈরবসু শীজিন্নবগী মমি তাদে। অসিগুম্বা থৌওং অসিসু য়েংবদা নুংঙাইতে হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

স্কুল অদুগী থবক শুদুনা লৈরম্বা মীওইশিং অদু ময়াই কাবা চীঙ্গাক চাশিন-থকচিল্লগা লৈরম্বা থেংনরকখি। থৌওং অসি এম এস এফনা তরাইনা লৌদে। স্কুল কম্পস মনুংদা য়ারিবমখৈ ময়াই কাবা চীঙ্গাক শীজিন্নবীগনু হায়না আপিল তৌরক্লি। মখা তানা অসিগুম্বা থৌওং অসি থেংনরক্লবদি মদুদা থোরকপা অফ-ফত্তগী থৌদাং স্কুল অদুগী ওথোরিটিনা পুজগদবনি হায়না ফোঙদোকখি।

কম্প্রিহেন্দশিব অমসুং ইম্ফাল ভেলি একাদেমিনচিংবা য়েংশিল্লুবা মতমদা হায়র সেকেন্দরি স্কুল অমা ওইবগী লৈফম থোকপা লেবোরেটরিগী খুৎশু-খুৎলাইশিং অমদি পোৎলমশিং মতিক চানা লৈরম্বা থেংনখি। মসিগীদমক স্কুল অসিবু এম এস এফকী মায়কৈদগী থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

লমদম অসিদা চেঙ্গুম শৌবগুম্না লেপ্পা লৈতনা স্কুল লিংখৎপগী কলচর অমা শেন্দাল লম্বীগী মওংদা চত্থরক্লিবা অসি য়েংশিনবগা লোয়ননা বিল্ডিং অমা লৈরগা লেবোরেটরিদি লৈতনা স্কুল ওনশিল্লকপশিং অসি এম এস এফনা থিজিনবা হৌরগনি। স্কুল খরদা লেবোরেটরি ফী লুপা ১৫০০দগী ২৫০০ ফাওবগী চাংদা লৌরি। ফী অসি লৌরগা করম্না শীজিন্নগনি হায়বদি খঙদবা মানবা থৌওং চত্থরি। ফী লৌবা তারবদি লেবোরেটরিগী পোৎলমশিং মতিক চানা লৈহনগদবনি হায়বসি খঙদবা মানবা থৌওংসি স্কুলশিং অসিগী মরী লৈনবা ওথোরিটি, এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্ট কোসেম অমসুং বোসেমগী মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংনা অথুবা মতমদা থিদোকপীরগা হায়রিবা লেবোরেটরি লৈতবা স্কুলশিং অসি মুত্থৎখিনবা মীয়াম পুন্না হোৎনমিন্নসি হায়না মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

এম এস এফনা অসিগুম্বা দ্রাইব চত্থরকপগী মরমদি থিওরি খক্তংদা বেজ তৌরগা প্রেক্টিকেলদি ইয়াও য়াওদনা মহৈ তম্বীবা অসিনা খুন্নাই অসিদা য়াম্না চাউনা মাঙজরকপগী খুদম ফংই। থিওরি খঙলগা প্রেক্টিকেল পাঙথোক্তনা ডোক্টরনচিংবা অৱাংবা থাক্কী মহৈ-মশিন তম্লকপা মতমদা খুদোংচাদবা অমদি মীশি-মীনাগী ৱাথোক য়াম্না তোয়না থোকপা থেংনরি। ঙরাং নহানতসু ইঞ্জিনিয়ার অমা মতিক চাদে হায়না সস্পেন্দ তৌখিবগী ৱাফম মীয়াম্না থেংনখ্রে। মসিগী মরুওইবা হৌরকফমদি থিওরিদা বেজ তৌরগা প্রেক্টিকেল পাঙথোক্তুনা মহৈ-মশিন তমদুনা লাকখিবননি হায়না মরাল শীরক্লি।

# চহী ১০৪ শুরবা কাংজম ইবোতোম্বী তিঙ্গং কাইজংদনা, মশা-মউ ফনা নুংঙাইনা হিংলি

*নোমিতা খোংবান্তাবম*

ইম্ফাল, মে ০৪ (ঐচ এন এস) :

ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা কোদোম্পোকপী ময়ায় লৈকায়দা লৈবা কাংজম ইবোতোম্বী কৌবা চহী ১০৪ শুরবা মীওই অসিনা ফোঙদোরকপদা নোংমগী মনুংদা হকচাং শাজেল ওইবা থবক খরা তৌবা, অচুম্বা চৎপা অমদি শা চাদবা অমসুং য়ু থক্তবনা মরম ওইদুনা মহাক মতম শাংনা পুন্সিবা ওইগনি।

পাউচে অসিগা উনবদা মশাগী চহী ১০৪ শুরবা অহল ওইরবা কাংজম ইবোতোম্বীনা মখা তানা ফোঙদোরকপদা, পাঙ্গল ৱানা নোংমগী থবক ঙাইহাক-ঙাইহাক শূবা অসিনা পুন্সি শাংনবগী মরম ওইব্রা হায়না খল্লি। ইশাগী চহী ১০৪ শুরবসু সাইকল তোংদুনা মেকোলা ফাওবা চৎতুনা মরূপ-মপাংশিংগা উনবা ঙল্লি। শা-ষণনচিংবা লোয়বগী থবক তৌরি। শঙ্গোম শুল্লি। পাঙ্গল কা হেন্না শোনবা হায়বদু ওইদ্রি। চহী মতাং অসিদা তৌরিবা থবকশিং অসি উরগা অউবা মীনা ঙক্লা য়েংনবসু য়াওরি।

কাংজম ইবোতোম্বীনা মখা তানা ফোঙদোরকপদা মহাক কুমজা ১৯১৩ দা পোক্লকপনি। পোক্লকপদগী হৌজিক ফাওবা শা চারক্তে। অদুবু ঙাদি চারকই। ময়াই কাবা চীঙ্গাক য়ু থক্তে, অদুবু কোম ক্বাদি য়াম্না চারকই। মসি নত্তবা অতোপ্পা অহেনবা চীঙ্গাক অমত্তা চারক্তে।



মহাক্কী চীঙ্গাক্কী মরমদা চানিংবা চানিংদবা হায়বা লৈতে। চীঙ্গাক পুম্নমক হাওনা চারি। অদুবু হৌজিক্কী মতমগী মীরোলনা হিংলিবা পুন্সি মহিং অসিগা য়েংনরুরবদি অদুক্কী মতিক খেন্নরে। হৌজিক্তি শা চাবা মীগী মশিংসু য়াম্না য়াল্লে। হকচাং পাঙ্গল ৱানা থবক শূ-নোম্বগী চাংসু য়াম্না নেল্লে। নোংমগী মনুংদা পুং খরদি থবক ইনখাং খরা শূদুনা শাজেল ওইনা হকচাং অসি খরা ৱাহন্দুনা হুমাং থোকহনগদবনি। মদু নৎত্রবদি পুন্সি তেনগনি।

কাংজম ইবোতোম্বীনা মমাঙৈগী হৌখ্রবা পুন্সিগী ৱারী কয়া নিংশিংদুনা ৱারী ওইনা লিরকপদা মমাঙৈদদি খুরুম অমদি খোঙউপনচিংবা তোংবা চৎনরমদে। অঙনবা মতমদা খোঙউপ খুঙ্গ্রা তোংনরম্মী। মীওই অমনা খুঙ্গ্রা তোংলকপা মতমদা কদায়দগী লৌবনো হায়না হংনৈ। মতম অদুদা ময়াংদগী খুঙ্গ্রা লৌদুনা তোংনরম্মী। মতম অদুদা খোঙউপ খুঙ্গ্রা অসি য়োনবা নত্তে অমদি লৈগে হায়রবসু ফংনরমদে। বারুনি কাবা চৎপসি লমহেন-তুহেনবা ওইনা লৌনরম্মী। মরম অদুনা বারুনি কানিংবদগী ইমান্নবগী ময়ুমদা তুম্লগা লোন্না চৎলম্মী। বারুনি কারিবদু খোঙউপ তোংলগা কাবা নত্তে। মরম অদুনা নিংশিংলুবদা অৱাবগী মশক্লি।

মালেমগী অনীশুবা লাঞ্চাউগী মতমদা অহলশিংগী মতুং ইনদুনা কৈথেলদগী থুম লৌবা চৎলি। মতম অদুদা থুম পোষ্টতা লৌবা হায়না চৎনরম্মী। মদু কেজি ৫ রোমগী চাংনি থুম পোষ্টা অমা লৌরুসি হায়না কৈথেলদা চৎপদা কৈশাম্পাৎ য়ৌরকপদা খুনু খরা পাইখিবগুম্না তৌই। অদুবু করিনো হায়না য়েংনরিঙৈদা অহৌবা মখোল থোরকপদুদা বোম পোকখায়রে হায়দুনা মীয়াম কাইদুনা চৈন্নে। বোম পোকখায়বগী শাফু অদু ফনা য়াম্না কল্লি। য়ুমদা ঐবু পোকপী ইমানা বোম পোকখায়বদা বোম্না পান্দুনা শিরম্লগনি, মখোঙ-মখুৎ কক্তুনা লৈরম্লগনি হায়দুনা কপ্তুনা ঐহাক্লা হল্লকপা ঙাইদুনা লৈরম্মী। কোদোম্পোকপীদা থোকখিবা থৌদোক্তা ঐহাক্কী য়ুম অসি তুম্না মৈ থাখিবনি। ষণপোৎ খোইরিঙৈদা নোংমৈ কাপ্লকপদগী অকিবা কয়াসু মায়োক্লখি।

পুন্সি নুংশাংনা হিংগে হায়রবদি শা চাদবা অমদি য়ু থক্তবা হায়বসি য়াম্না ফৈ হায়না খল্লি। অখঙ-অহৈশিংনা শা চাবা মীওইশিং পুন্সি শাংগন্দে হায়নৈ। অরানবা চৎতবা, অফবা থবক তৌবা, নোংমগী মনুংদা হকচাং শাজেল ওইনা থবক ইনখাং খরা তৌবনা মীওইবগী পুন্সি শাংহন্নবগী মচাক ওই হায়না মহাক্লা ফোঙদোকখি।

# ইপুরোইববু লায়েংবদা মতেং পাংবীয়ু : অইংবী

ইম্ফাল, মে ০৪ (ঐচ এন এস) :

ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা পাৎশোই পার্ট থ্রীদা লৈবা হৈস্নাম খোংনেমবু হৌখিবা এপ্রিল ১ গী নুমিদাংৱাইরম পুং ৬ লোম তাবদা য়ুরেম্বম অৱাং লৈকায়দা লৈবা মুতুম শান্তিকুমারনা গাড়ীনা থোল্লম্বদগী ফীভম শোক্তুনা হোস্পিটালদা লায়েংলিবা অসিগী অচঙবা শেনফম পীনিংঙাই লৈতবদগী য়ুম-ইঙ্খোল ফাওবা বন্দোপ থম্লে হায়না খোংনেমগী নুপী অইংবীনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি নুংথিল মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাউমীশিংগা উনবদা অইংবীনা মখা তানা ফোঙদোকখি, হৌখিবা এপ্রিল ১দা শান্তিকুমার হায়রিবা মীওই অসিনা ঐগী ইপুরোইবা খোংনেম্না মখোঙনা চৎলিঙৈদা শান্তিকুমারনা এক্টিভা থৌদুনা লাক্লগা থেংজিনবীরম্লগা য়েংবীদনা চৎখিবদগী অশোকপা অসি রিমসতা পুখৎতুনা লায়কন্নবদা শিজ হোস্পিটালদা মখা তানা রিফর তৌরকপদগী শিজ হোস্পিটালগী আই সী য়ুদা নুমিৎ ৮ নি চূপ্পা লায়কন্নরকখি।

মরক অসিদা শান্তিকুমার হায়রিবা মীওই অসিনা শিজ হোস্পিটালগী কাউন্টরদা লুপা লিশিং ৩০ থিরমখি। অনাবা অদুগী ফীভম ফগৎলক্তবনা মরম ওইদুনা শিজ হোস্পিটালগী ৱার্দতা নুমিৎ মঙানি শাংথনা লৈখি। মহাকপু লায়েংলিবা দোক্টরনা ব্রেনদা ঈ চঙলে মরম অদুনা মতম খরা হোস্পিটালদা লৈদুনা লায়েংনবা হায়খি। মহাক্কী মপুরোইবগী মখুৎ খুদাংনচিংবদা শোকপগা লোয়নন‌া ওইথংবা মমিৎসু উরক্ত্রে হায়না ফোঙদোকখি।

নোংমা-নোংমগী অফংবা থবক শূরগা মহাক্কী মপুরোইবনা ইমুং অসি পুরিবনি। অদুবু হৌজিক্তি থবক শূ-নোম্বসু ঙমদ্রবনিনা লায়েংনবা হোৎনবদা য়ুম-ইঙ্খোল বন্দোপ থম্লে। মখা তানা লায়েংবীনবা শান্তিকুমারদা হায়রুবদসু লুপা লিশিং ৪০ পীরগে মসিদা য়াদ্রবদি কেস ওইনা তৌনরসি হায়রকখি হায়রি।

এক্সিদেন্ট থোকপা নুমিৎ অদুদা পাৎশোই পুলিস ষ্টেসনদসু ৱাকৎ চেরোল অমা পীশিনখি। মপুরোইববু লায়েংবা ঙল্লক্তবদগী পাৎশোইদা লৈবা রিহেবিলিটেসন সেন্টরদা থমখ্রে। শান্তিকুমার হায়রিবা মীওই অসি নিপানশুবা এম আরদা কন্সটেবল ওইবনি হায়না খোংনেমগী লোয়নবী অইংবীনা ফোঙদোরকপগা লোয়ননা মহাক্কী মপুরোইববু মখা তানা লায়েংনবা হোৎনবদা লমদমসিগী সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনশিংনা মতেং পাংবীয়ু হায়রি।